
# মারিন সিলিকনা স্বিস ইন্দোরগী, এন্দি মরেনা ভিয়েনা ওপনগী টাইটল লৌখ্রে






বাসেল/ভিয়েনা, ওক্টোবর ৩১ :
মারিন সিলিকনা মফম অসিদা চথখিবা স্বিস ইন্দোরগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা জপানগী কৈ নিশিকোরিবু ৬-১, ৭-৬(৫) তা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী অসিগী অরোইবা এ টি পি ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলগী মফম অমা ফংনবগীদমক নকশিন্না লৈখ্রে।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা ক্রোসিয়ন অসিনা কুমজা ২০১৪ গী য়ু এস ওপনগী ফাইনেলদা এসিয়াগী খ্বাইদগী ফবা প্লেয়র অসিবু মায়থীবা পীখিবনি।

মালেমগী রেঙ্ক ১২ শুবদা লৈরিবা সিলিকনা মথং থাদা লন্দনদা প্লেয়র নিপান্না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলগীদমক মহাক্কী মফম অমা ফংনবগীদমক অকনবা মওংদা হোৎনরিবনি।

সিলিকনা বাসেলদা মায় পাক্তুনা লৌখিবা টাইটল অসিনা সিজন অসিদা মহাক্না টাইটল লৌবসু অনীরক শুবা ওইখি। মহাক্না চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা সিন্সিনাটিদা পাঙথোকখিবা মার্ষ্টস ১০০০ দা এন্দি মরেবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহানবা টাইটল লৌখিবনি।

সিলিকনা নিশিকোরিগী মায়োক্তা এস তরুক কন্দুনা মেচ পোইন্ট অনী লৌবা ঙমখিদুনা মায় পাক্লবগী খোঙফম শেমখি।

মেচ লোইরবা মতুং সিলিকনা হায়খি, কৈনা নিংথিনা শান্নখি অদুবু মেচ অদু টফ ওইখ্রবসু লাইবক ফবা হায়বদু ওইখি। মসি য়াম্না ক্লোজ ওইনা শান্নখিবা মেচ ওইখি। ঐসু নিংথিনা শান্নখি। ঐনা চয়োল অমরোমসি লন্দনগীদমক ক্বালিফাই ওইনবগীদমক প্রেসর লৈনা শান্নখি। মসি ঐগী লাইবক ফবা চয়োলসু ওইখি। ঐনা অফবা টেনিস প্লে শান্নখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা বাসেলদা চথরিবা বাসেল এ টি পিদা জপানগী কৈ নিশিকোরিনা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা গিল্লেস মুল্লরবু ৪-৬, ৭-৬ (৭/৩), ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

অদুগা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচতা মারিন সিলিকনা ক্বালিফাইয়র মিসচা জভেরেভপু ৪-৬, ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

অমরোমদা ভিয়েনাদা চথখিবা ভিয়েনা ওপনগী ফাইনেল মেচতা এন্দ মরেনা ফ্রেঞ্চমেন জো-ৱাইলফ্রাইদ সোঙ্গাবু মায়থীবা পীদুনা সিজন অসিগী মহাক্কী অহুমশুবা টাইটল লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা পোইন্ট ১০৯৮৫ ফংদুনা এ টি পি রেঙ্কিংগীদমক ৱানদা লৈগদবা খজিক্তা ঙাইরে।

মরেনা ফ্রেঞ্চমেন জো-ৱাইলফ্রাইদ সোঙ্গাবু ৬-৩, ৭-৬ (৮/৬) তা মায়থীবা পীদুনা থা অসিদা মহাক্না লৌখিবা অহুমশুবা টাইটল ওইখি। মরেনা মমাঙদা চিনা ওপন অমদি শংহাই মাষ্টর্সকী টাইটল লৌখ্রবনি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা স্কোট অসিনা মথং চয়োলদা পেরিস মাষ্টর্সদা মায় পাক্লবদি মহাক্না জোকোভিচকী মহুৎ শিন্দুনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা ঙম্লগনি।

পনবা য়াই, জো-ৱাইলফ্রাইদ সোঙ্গানা ভিয়েনা ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা ইভো কার্লোভিকপু ৫-৭, ৭-৫, ৭-৬ (৬) তা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

মরে অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন দেভিদ ফেরর অনীনা শান্নগদবা সেমী ফাইনেল মেচ হৌগদবা কুইরক্ত্রবা মতমদা দেভিদ ফেররগী ওই থংবা খোঙদা অশোকপা লৈখিবদগী শান্নদনা তোকখিবদগী মরেনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

মরেনা সোঙ্গাগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবদা ১২-৩ দা মায় পাক্না চৎলি অমদি রেঙ্ক ১৫ শুবদা লৈরিবা ফ্রেঞ্চমেন অসিগা অরোইবা ওইনা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা মেচ মরি মায় পাকখি।

স্কোট অসিনা মহাক্কী কেরিয়রগী ৪২শুবা টাইটল লৌনবা তন্নরিবনি। মহাক্না বৈজিং অমদি শংহাইদগী টাইটল লৌখিবা অদুনা মহাক্কী থংন-থংননা মেচ ১৩ মায় পাকপগী রেকোর্দসু থল্লিবনি। মহাক্না কুমজা ২০১৪ দা ভিয়েনাগী টাইটল লৌখ্রে।

# ইন্দিয়ন জুনিয়র হোকি টিমনা জর্মনিবু মায়থীবা পীদুনা ফোর নেসন্স ইনভিটেস্নেল টুর্ণামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে



ভলেন্সিয়া, ওক্টোবর ৩১ :
ইন্দিয়াগী জুনিয়র মেন' হোকি টিমনা মফম অসিদা চথখিবা ফোর নেসন্স ইনভিটেস্নেল টুর্ণামেন্টতা জর্মনিবু য়াম্না লাকচনা তৌখিদুনা ৫-২ দা মায়থীবা পীদুনা টুর্ণামেন্ট অসিগী টাইটল লৌখ্রে।

মেচ হেক হৌখিবগা ইন্দিয়ানা মায়োক্নখিবা সাইদা অকনবা শাফু পীদুনা চঙশিনখি। ইন্দিয়ানা হনবা লৈতনা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ১০ চৎপা মতমদা পার্ভিন্দর সিংহনা গোল অমা চনশিনখিদুনা য়াম্না ঙন্না ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। জর্মনসু মায়োক্নখিবা ওপোনেন্টকী মায়কৈদা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা চঙশিনখ্রবসু ইন্দিয়াগী দিফেন্স লাইন লানশিন্না চঙবদি ঙমখিদে। ইন্দিয়ানা মখা তানা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ২২ চৎপা মতমদা অর্মান কুরেশিনা গোল অমগা চনখিদুনা ২-০ দা মাঙজিল অমুক্কা থাখি। অহানবা হাফ ফাওবদা জর্মনিনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা ইন্দিয়াগী মখুৎতা গোল শোথনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়াদি হনবা লৈতনা মায়োক্নখিবা সাইদতা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। জর্মনিসু অকনবা দিফেন্স শান্নরক্তুনা ইন্দিয়াবু থিংননবা হোৎনখি। ইন্দিয়ানা লেপ্পা লৈতনা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৪০ চৎপা মতমদা গুরজান্ট অমদি মেচকী মিনিট ৪৪ চৎপা মতমদা ভারুন কুমারনা গোল অমমম চন্দুনা অমুক্কসু ৪-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

ইন্দিয়ানা গোল মনম-মনম চনশিনখিবদগী তপথদ্রবা জর্মননা ওপোনেন্টকী মায়কৈদা তৌখিবা কাউন্টর এটেক্তা মেচকী মিনিট ৪৬ চৎপা মতমদা ফিলিপ স্কিমিদনা গোল অমা চনখিদুনা ইক্বেলাইজ তৌখিবগা লোয়ননা ১-৪ দা লৈখি। মখা তানা অমুকসু হন্না জর্মননা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৬৫ চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। পেনালটি কোর্নর অদুদা স্কিমিদনা নিংথিনা কনখিদুনা গোল ওন্থোকখিদুনা ২-৪ দা লৈখি। অদুবু মেচ লোইগদবা মতম কুইশিল্লক্ত্রবা মতমদা সিমরঞ্জিট সিংহনা মেচকী মিনিট ৬৯ চৎপা মতমদা ইন্দিয়াগী মঙাশুবা গোল চনখিদুনা জর্মনিবু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি।

টুর্ণামেন্ট অদুদা হরমনপ্রীট সিংহনা বেটচ প্লেয়র ওফ দ টুর্ণামেন্টকী এৱার্দ ফংখি। ভারুন কুমারনা হায়েষ্ট স্কোরর ওফ দ টুর্ণামেন্টগী এৱার্দ ফংখি।

হোকি ইন্দিয়ানা ইন্দিয়ন জুনিয়র হোকি টিমনা টুর্ণামেন্ট অদুদা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুবু অপেনবা পোক্লদুনা প্লেয়র খুদিংমক্তা অমদি কোচ হরেন্দর সিংহদা লুপা লাখ অমমমগী শেনফম পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মসিদা নত্তনা ইন্দিয়ন জুনিয়র টিমগী সপোর্ট ষ্টাফতা লুপা লিশিং ৫০ গী শেনফমসু পীগনি হায়না লাউথোকখি। পীরিবা শেনফমশিং অসিগী মথক্তা হরমনপ্রীট সিংহ অমদি ভারুন কুমারনা ইন্দিভিজুয়েল ওইনা পীখিবা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স অদুগীদমক লুপা লাখ অমমমসু পীখি।

# ওল রাউন্দর অক্সর পটেল অমসুং অমিট মিশ্রানা আই সি সিগী বোল্লর রেঙ্কিংদা ফীভম ফনা লৈখ্রে



দুবাই, ওক্টোবর ৩১ :
ওল রাউন্দর অক্সর পটেলনা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না নৌনা থোকখিবা ৱান দে ইন্টরনেসনেল (ও দি আই) গী বোল্লরগী রেঙ্কিংদা মকোক থোংবা তরাগী মনুং চন্দুনা ইন্দিয়াগী রেঙ্ক খ্বাইদগী ৱাংবা বোল্লর ওইখ্রে।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা লোইশিনখিবা ইন্দিয়া অমদি ন্যু জিলেন্দ অনীগী ও দি আই সেরিজদা ৱিকেট মরি লৌখিবা অক্সর পটেলনা মাপনশুবা মফমদা লৈখি অদুগা লেগ স্পিন্নর অমিট মিশ্রানা ৱিকেট মঙা লৌখিদুনা মহাক্কী হান্না লৈরম্বা মফমদগী ২৫ হায়গৎলগা মহাক্কী কেরিয়রদা অহানবা ওইনা মকোক থোংবা ২০ গী মনুং চনবা তমখি।

ইন্দিয়া অমদি ন্যু জিলেন্দ অনীগী ও দি আই মেচ মঙাগী সেরিজগী অরোইবা অমদি মঙাশুবা মেচতা ৱিকেট ৫ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ এৱার্দ ফংখিবদা নত্তনা সেরিজ অদুদা পুন্না ৱিকেট ১৫ লৌদুনা মেন ওফ দ সেরিজ এৱার্দসু ফংখিবা অমিট মিশ্রানা ১২শুবা মফমদা সাউথ অফ্রিকাগী দেল ষ্টেয়নগা পুন্না লৈমিন্নখ্রে।

অনৌবা বোল্লর লিষ্ট অসিদা ইন্দিয়াগী বোল্লর উমেস য়াদভ অমদি নহা ওইরিবা জাসপ্রিন্ট বুমরহাসু মখোয়গী হান্না লৈরম্বা রেঙ্কিংদগী ফীভম ফনা লৈখি। ইন্দিয়া-ন্যু জিলেন্দগী সেরিজ অদুদা ৱিকেট ৮ লৌখিবা য়াদভনা ৩৫ শুবা মফমদা অদুগা বুমরাহনা হান্না লৈরম্বা মফমদগী ২৯ কাখৎলগা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা ৫৭ শুবা মফমদা লৈখি।

ন্যু জিলেন্দগী বাউল্টনা বোল্লর লিষ্টতা লেঙদনা মকোক থোংবা মফমদা লৈরি অদুগা ৱেষ্ট ইন্দিজগী সুনিল নরেইন অমদি সাউথ অফ্রিকাগী ইমরান টাহিরনা মথংশিৎনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা মফমদা লৈখি।

আই সি সিগী অনৌবা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিগী বেটচমেনগীদা রোহিৎ শর্ম্মা অমসুং অজিঙ্কা রহানেনা মখোয়না হান্না লৈরম্বা মফমদগী ২/২ কুমথরগা মথংশিৎনা মাপনশুবা অমদি ২০ শুবা মফমদা লৈরি। ন্যু জিলেন্দগী সেরিজদা রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌখিবা ইন্দিয়াগী ভিরাট কোহলিনা অনীশুবা রেঙ্কিংদা লৈখি। মহাক্না সেরিজ অদুদা অপুনবা রন ৩৫৮ লৌখিবনি। সাউথ অফ্রিকাগী এ ভি দি ভেল্লিয়র্সনা মকোক থোংবা মফমদা লৈখি।

ও দি আই মেচ মঙাগী সেরিজ অদু ইন্দিয়ানা ৩-২ দা লৌখিবদগী ন্যু জিলেন্দগা পোইন্ট অমখক্তমক খেন্নন লৈখিদুনা টিম ইন্দিয়ানা মরিশুবা মফমদা লৈখ্রে অদুগা ন্যু জিলেন্দনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা অপুনবা পোইন্ট ১৯৮ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি অমদি সাউথ অফ্রিকানা অনীশুবা মফমদা লেঙদনা লৈখি।

# এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি : ইন্দিয়ানা কোরিয়াবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা পুল ষ্টেন্দিংদা মকোক্তা লৈখ্রে

সিঙ্গাপুর, ওক্টোবর ৩১ : ইন্দিয়ানা মেচকী অনীশুবা হাফতা পীখিবা পার্ফোমেন্সনা মফম অসিদা চথরিবা ৪শুবা ৱিমেন এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোকিগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা কোরিয়াবু ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ মায় পাকখিবা অসিনা ইন্দিয়ানা পুল ষ্টেন্দিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে।

মেচ হৌখিবগা ইন্দিয়া অমদি কোরিয়া অনীনা মখোয় মখোয়গী মায়োক্নখিবা সাইদশিংদা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। টিম অনীমক্না অহানবা ক্বার্টরদা গোল চন্ননবা তকখৎনখ্রবসু পাক হেক গোল চনবদি ঙমখিদে। অনীশুবা ক্বার্টর হেক হৌখিবগা কোরিয়ানা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ২৯ চৎপা মতমদা ইসেয়ুল বেকনা গোল অমা চনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। কোরিয়ানা মখা তানা অকনবা প্রেসর পীদুনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা গোল এটেম্পশিং তৌখ্রবসু অহানবা হাফ ফাওবদি অহেনবা গোল চনবা ঙমদনা লৈখি। ইন্দিয়াসু গোল ইক্বেলাইজ তৌবা ঙমদনা গোল শোথনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়ানা হেন্না মতীং লৈনা শান্নরকখি। ইন্দিয়ানা মায়োক্নখিবা মায়কৈদা চঙশিনখিবা শাফু অমদা মেচকী মিনিট ৩৭ চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। মদুদা রাণিনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা নিংথিনা কনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ১-১ দা লেভেল মান্ননা লৈখি।

মরিশুবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্না মেচ মায় পাক্লবগীদমক কুক-কুক ইন্ননা শান্নরকখি। টিম অনীগী মেচ অদুদা য়েংখিবা মীয়াম্না পুক্নিং চোইথোক্নখিদে।

টিম অনীগী নুংঙাইরবা মেচ অদুগী মিনিট ৫৪ চৎপা মতমদা ইন্দিয়াগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা অমদি হৈথোই-শিংথোইরবী দীপিকা থাকুরনা কোরিয়ন কিপর তম্না থাজিনখিবা স্বিং বোল অমনা গোল ওন্থোকখিদুনা কোরিয়াবু মায়থীবা পীখি।

ইন্দিয়ানা মথংগী মেচতা মালেসিয়াগা লম্বা তৌদুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নরগনি। মালেসিয়ানা হৌজিক ফাওবদা শান্নখিবা মেচ অনীদা মায়থীদুনা চৎলিবনি।

# রাজকোটতা পাঙথোক্কদবা ইন্দিয়া-ইংলেন্দগী টেষ্ট মেচতা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানি শরুক য়াগনি

রাজকোট, ওক্টোবর ৩১ :
রাজকোটনা য়ুম্বু ওইদুনা লাক্লিবা নভেম্বর ৯ দগী মসিগী এস সি এ ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরিবা ইন্দিয়া অমদি ইংলেন্দগী অহানবা টেষ্ট মেচতা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানিনা শরুক য়াবগা লোয়ননা গেম অসিগী খ্বাইদগী শাংবা ফোর্মেট অমা ওইরিবা টেষ্ট মেচ অসিদা সৌরাষ্ট্রা রিজনদগী লৈবাক অসিগীদমক শরুক য়াগদবা প্লেয়রশিংবুসু হরাউ-তরাম্না ওক্কদৌরি।

খন্ধেরিদা লৈরিবা এস সি এ ষ্টেদিয়ম অসি অহানবা ওইনা টেষ্ট মেচ য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদবনি। মসিগীদমক সৌরাষ্ট্রা ক্রিকেট এসোসিএসন (এস সি এ) গী এদমিনিষ্ট্রেটরশিংনা নিংশিংনিংঙাই ওইহৌরগদবা ইভেন্ট অসিগীদমক মশক নাইরবা পার্সনেলিটিশিংবু চেবাউ পীদুনা শরুক য়ানবা ৱারেপ লৌখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবুসু ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াননবা চেবাউ পীখ্রে। অদুবু মহাক্না শরুক য়াবা নৎত্রগা য়াদবা হায়বদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা কনফার্ম তৌবা লৈত্রি।

সৌরাষ্ট্রা ক্রিকেট এসোসিএসন (এস সি এ) গী মেদিয়া মেনেজর ইমান্সু শাহনা হায়খি, অহানবা টেষ্ট মেচ অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানি অনীবু শরুক য়ারনবগীদমক ঐখোয়না চেবাউ পীখ্রে। অদুবু রুপানিদি শরুক য়ারগনি হায়বগী কনফার্ম তৌরকখ্রে। অদুগা প্রাইম মিনিষ্টরগীদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা কনফার্ম তৌবা লৈত্রি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## জোকোভিচনা এ টি পিগী রেঙ্কিংদা মকোক্তা লৈরি

পেরিস, ওক্টোবর ৩১ : এ টি পিনা ইনৌ নৌনা লাউথোকখিবা মসিগী রেঙ্গিং লিষ্টতা সার্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা পোইন্ট ১২,৯০০ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লেঙদনা লৈরি।

এ টি পিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোকখিবা রেঙ্কিং লিষ্ট অদুদা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মরেনা অনীশুবা মফমদা লৈরি। অদুগা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কা, জপানগী কৈ নিশিকোরি অমসুং কনাডাগী মিলোস রাওনিকনা মথংশিৎনা অহুমশুবা, মরিশুবা অমদি মঙাশুবা মফমদা লৈরি।

লিষ্ট অসিদা মকোক মথংদা লৈরিবা প্লেয়রশিং অদুদি অহানবদা সার্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচ (পোইন্ট ১২,৯০০), অনীশুবদা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মরে (পোইন্ট ১০,৯৮৫), অহুমশুবদা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কা (পোইন্ট ৫,৮৬৫), মরিশুবদা জপানগী কৈ নিশিকোরি (পোইন্ট ৪,৯০৫), মঙাশুবদা কনাডাগী মিলোস রাওনিক (পোইন্ট ৪,৬৯০), তরুকশুবদা স্পেনগী রফেল নদাল (পোইন্ট ৪,০৮০), তরেৎশুবদা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলস (পোইন্ট ৩,৬৩৫), নিপানশুবদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম (পোইন্ট ৩,২৫০), মাপনশুবদা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর (পোইন্ট ৩,২২০) অমসুং তরাশুবদা ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিক (পোইন্ট ৩,১০০) নি।

TODAY TODAY
NINGOL BUMBER HOUSIE
Venue: Kakwa Community Hall
Time:4 :00 p.m Date:1-11-16
Chahi amagee dao yengbiyu Kaktradri paoroi
1st HOUSE FULL i20 Active
Tickect Rate Rs.5000/-
Mini Bumper Ticket Rate Rs.1000/- HOUSE FULL BEAT CAR
2nd HOUSE FULL i20 Active
FREE MINI DRAW BEAT CAR
Mini Bumper Ticket Rate Rs.600/- 1st, 2nd, 3rd, & 4th, 5th, House full Activa 3G each
All Lines, Q-5 & Star are Honda Activa 3G each
Pung 4 phaobagee Manungda paid toubasing Beat Car na Housefull Ticket free da hapchagani
HL-P/10413/30,31 Oct. & 1 Nov.

ADVANCED COACHING INSTITUTE Regd. No.-729
Only25 Seats per class(each section)
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
Max. no. of selection every year in min. no. of intakes
REGULAR MEDICAL COURSE (2017)
ENGINEERING (2017) FOUNDATION
The Largest,Trusted&Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.&Arts
COHSEM Sc. & ARTS
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE X & XII
TIME 4.40-7.40AM 4.40-7.40PM
ARTS & Sc. CBSE
Class xii Sc./Arts(COSEM) from 7th Nov ,10th Nov.
Class xii Sc./Arts(CBSE) from 27th Oct,3rd Nov
Class x-SA II from 27th Oct,3rd Nov
Foundation course for class ix,x started from 8th ,15th Dec
only 50 seats for two sections , Remaining few seats- Last date :23rd November.
Fee concession for merit students, ex-students,OBCs,ST,SC,distance students
Separated boys,girls hostel,van servicelibrary facility #7308911167/9862992105
Time: 9.30am-1.30pm 12.30pm-4.30pm
HL-B/3319/14-30 Sep.&1, 3, 5 Nov.

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE REGISTRAR OF CO-OPERATIVE SOCIETIES: MANIPUR

NOTIFICATION

Imphal, the 29th October, 2016

**No. E-Coop/272/MRDR/2016:** In pursuance of Manipur Secretariat: Co-operation Department letter No. 1/4/2014-Coop dated 29.10.2016, the result of the Written Test held on 09.10.2016 for recruitment of 80 posts of Inspector C.S. and 3 posts of Office Assistant cum Computer Operator is hereby declared in which 474 (four hundred seventy four) successful candidates for the post of Inspector C.S. are eligible for Viva Voice to be notified later on and 30 (thirty) successful candidates for the post of Office Assistant cum Computer Operator are eligible for computer test to be held on 4th Nov, 2016 at Institute of Co-operative Management, Lamphelpat from 9.30 a.m. onwards for selection of eligible candidates for viva voce to be notified later on. The successful Roll Nos. of all reserved and un-reserved categories are given below:

**A. Inspector C.S. (in order of Roll Nos.):-**
0028, 0034, 0036, 0040, 0078, 0079, 0092, 0244, 0245, 0263, 0269, 0295, 0315, 0321, 0330, 0349, 0353, 0446, 0524, 0648, 0678, 0702, 0778, 0808, 0814, 0832, 0842, 0854, 0892, 0898, 0941, 0970, 1041, 1047, 1061, 1089, 1098, 1119, 1125, 1130, 1151, 1191, 1209, 1241, 1246, 1247, 1248, 1251, 1262, 1285, 1328, 1332, 1353, 1354, 1355, 1356, 1357, 1360, 1361, 1362, 1363, 1375, 1377, 1386, 1417, 1419, 1427, 1434, 1435, 1464, 1483, 1484, 1505, 1521, 1529, 1541, 1552, 1553, 1555, 1577, 1586, 1589, 1593, 1604, 1626, 1628, 1629, 1647, 1708, 1709, 1770, 1781, 1789, 1797, 1858, 1859, 1860, 1862, 1864, 1882, 1883, 1890, 1903, 1929, 1930, 1931, 1936, 1937, 1948, 1964, 1978, 1980, 1981, 1984, 2002, 2003, 2006, 2007, 2043, 2049, 2067, 2068, 2162, 2202, 2249, 2252, 2253, 2259, 2287, 2299, 2330, 2428, 2435, 2463, 2477, 2484, 2524, 2527, 2554, 2575, 2578, 2580, 2604, 2619, 2623, 2627, 2654, 2679, 2680, 2703, 2709, 2714, 2719, 2730, 2740, 2742, 2747, 2764, 2769, 2775, 2776, 2805, 2843, 2859, 2869, 2886, 2897, 2906, 2907, 2908, 2915, 2917, 2926, 2935, 2936, 2960, 2965, 2966, 2969, 2970, 2971, 2973, 2974, 2975, 2979, 2983, 2984, 2988, 3006, 3007, 3014, 3033, 3063, 3078, 3111, 3171, 3202, 3243, 3290, 3342, 3360, 3375, 3376, 3398, 3405, 3413, 3421, 3430, 3432, 3435, 3441, 3450, 3451, 3457, 3460, 3463, 3468, 3469, 3470, 3474, 3478, 3528, 3547, 3549, 3563, 3564, 3582, 3583, 3585, 3586, 3592, 3659, 3660, 3682, 3705, 3716, 3717, 3749, 3787, 3788, 3824, 3840, 3845, 3877, 3892, 3913, 3931, 3936, 3953, 3973, 4013, 4015, 4072, 4073, 4120, 4146, 4153, 4158, 4159, 4177, 4195, 4196, 4200, 4251, 4261, 4318, 4331, 4379, 4440, 4450, 4456, 4526, 4529, 4534, 4569, 4647, 4723, 4758, 4789, 4794, 4808, 4859, 4862, 4863, 4866, 4917, 4948, 4956, 4959, 5006, 5071, 5072, 5078, 5087, 5089, 5097, 5146, 5165, 5169, 5171, 5180, 5182, 5185, 5191, 5211, 5213, 5229, 5234, 5307, 5324, 5347, 5358, 5369, 5393, 5425, 5433, 5434, 5448, 5479, 5537, 5579, 5581, 5599, 5622, 5658, 5659, 5664, 5701, 5703, 5727, 5728, 5748, 5749, 5750, 5752, 5764, 5771, 5772, 5779, 5780, 5781, 5798, 5799, 5801, 5802, 5806, 5807, 5820, 5822, 5829, 5830, 5844, 5845, 5855, 5868, 5890, 5891, 5942, 6004, 6016, 6041, 6044, 6077, 6091, 6092, 6111, 6209, 6221, 6236, 6256, 6260, 6274, 6313, 6321, 6330, 6345, 6351, 6358, 6394, 6471, 6654, 6690, 6691, 6761, 6772, 6799, 6809, 6817, 6818, 6824, 6838, 6846, 6854, 6858, 6868, 6884, 6887, 6924, 6929, 6971, 6983, 6993, 6999, 7003, 7017, 7035, 7048, 7049, 7052, 7073, 7074, 7092, 7134, 7138, 7140, 7142, 7194, 7195, 7200, 7207, 7220, 7228, 7237, 7245, 7249, 7253, 7259, 7260, 7265, 7266, 7267, 7355, 7389, 7390, 7397, 7403, 7409, 7473, 7477, 7483, 7485, 7496, 7499, 7539, 7561, 7573, 7577, 7597, 7611, 7612, 7616, 7617, 7618, 7636, 7657, 7659, 7674, 7683, 7692, 7702, 7705, 7708, 7718, 7724, 7729, 7735, 7738, 7741, 7783, 7820,7829,7837,7856 and 7879 **= 474 nos.**

**B. Office Assistant cum Computer Operator (in order of Roll Nos.):-**
102, 109, 111, 113, 118, 119, 121, 127, 128, 130, 134, 135, 150, 155, 157, 165, 166, 172, 176, 183, 185, 186, 190, 191, 194, 195, 196, 199, 200, and 203. **= 30 nos.**

Sd/-
**L. Nabakishwar Singh, IAS**
Registrar of Co-operative Societies,Manipur

HL-P/10420/31 Oct & 01 Nov